# এল মেসিয়ানা মিটর ১০ এয়র পিষ্টল অমসুং ২৫ মিটর স্পোর্টস পিষ্টলদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ
মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা তাং ২৯ দগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা শুটিং রেঞ্জদা চখরকপা ৬ শুবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট শুটিং কম্পিটিশন হয়েং লোইশিল্লগনি।

ঙসি মরিনি চনবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা মেচশিংগী জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল তেন মিটর এয়র পিষ্টোলদা তেনসুবম হেরোজিৎনা পোইন্ট ৩৫৭ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। এল দিলক্সনা পোইন্ট ৩৫৭ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা ঐচ অশ্বিনিকুমারনা পোইন্ট ৩৪৬ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

সব জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল তেন মিটর এয়র পিষ্টোলদা খাগেম্বা লৌক্রাকপম্না পোইন্ট ৩৫০ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। জুপিটর অসেম্না পোইন্ট ৩১৯ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা য়াম্বেম দিমিরাজনা পোইন্ট ২৫২ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

ৰুমেন ইন্দিভিজুএল তেন মিটর এয়র পিষ্টোলদা এল নেসিয়ানা পোইন্ট ৩৫১ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। এ বিনানা পোইন্ট ৩১১ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা এন জি লিম্হোইঙানবী চনুনা পোইন্ট ২৪১ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

সব জুনিয়র ৰুমেন ইন্দিভিজুএল তেন মিটর এয়র পিষ্টোলদা সিলভিয়া লৌক্রাকপম্না পোইন্ট ৩৩২ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। লোংজম সেলিনানা পোইন্ট ৩১৮ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা দুনি খাইদেম্না পোইন্ট ৩১৫ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

মেন ইন্দিভিজুএল মিটর ৫০ রাইফল প্রোন্দা কে এস ঐচ মঙাল মঙাংনা পোইন্ট ৫৬০ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে অদুগা এম লুয়াবনা পোইন্ট ৫০৫ ফংদুনা সিলভর মেদল ফংখ্রে। জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল মিটর ৫০ রাইফল প্রোন্দা এল মালেমঙানবনা পোইন্ট ৫১৮ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

ৰুমেন ইন্দিভিজুএল ২৫ মিটর স্পোর্টস পিষ্টলদা এন মেসিয়ানা পোইন্ট ২৫৯ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। এন জি লিম্হোইঙানবী চনুনা পোইন্ট ১৯১ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা এ বিনানা পোইন্ট ১৮৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

জুনিয়র ৰুমেন ইন্দিভিজুএল ২৫ মিটর স্পোর্টস পিষ্টলদা এল সেলিনানা পোইন্ট ১৮৮ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল ২৫ মিটর স্পোর্টস পিষ্টলদা এল দিলক্সনা পোইন্ট ২২৭ ফংদুনা গোল্ড মেদল, জুপিটর অসেম্না পোইন্ট ২২৬ ফংদুনা সিলভর মেদল, খাগেম্বা লৌক্রাকপম্না পোইন্ট ২১৫ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

মেন ইন্দিভিজুএল ২৫ মিটর ষ্টেন্দর্দ পিষ্টলদা সি ঐচ রম্বোনা পোইন্ট ২৪২ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। এল সোমটাই কোমনা পোইন্ট ২২৬ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা জি য়াইমা শর্ম্মানা পোইন্ট ২২২ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। জুনিয়র মেন ইন্দিভিজুএল ২৫ মিটর ষ্টেন্দর্দ পিষ্টলদা এ ব্রিমিনা পোইন্ট ১৪০ ফংদুনা গোল্ড মেদল অদুগা জুপিটর অসেম্না পোইন্ট ১১৭ ফংদুনা সিলভর মেদল ফংখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা লোইশিল্লগনি। লায়শিনবগী থৌরমদা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এম এল এ এলাংবম চান্দ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এন ইন্দ্রজিৎ, দল্লিয়ু মংলেম, মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট এম রাজচন্দ্র অমসুং মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী সেক্রেটরি আর কে দরেন্দ্রজিৎনা মথঙশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

## দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দি ৱাই এ এস ও) ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল টুর্নামেন্ট অমা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না দি ৱাই এ এস ও ইম্ফাল ইষ্টকী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মশান্নশিংদি ওগষ্ট ২০ দগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জে এন হোকি টুর্নামেন্টে অন্দর -১৪ এন্দ অন্দর - ১৭ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। থা অসিগী ২৫ দগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী ১৪ মখাগী অর্চরি, নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী ১৪ অমদি ১৭ মখাগী টেবল টেনিস লোয়ননা নুপা অমসুং নুপীগী চহী ১৭ মখাগী বাস্কেটবোলসু পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা টুর্নামেন্টশিং অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা ওগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। মরম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা দি ৱাই এ এস ও ইম্ফাল ইষ্টতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

## ইম্ফাল ইষ্ট সুপর দিভিজন য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৫ লৈবাক্কী ঈরাং লৈবা অমদি ঈশিং ঈচাও থোকপা মরম্না মতম খরা য়ৈথোক্লুনা থা অসিগী ২০ দগী হৌরগনি হায়না এসোসিএশন অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## মাঘো খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ
এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেশন (এ এফ সি) না মণিপুরদগী ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি এম মাঘো চহীসিগী সেপ্তেম্বর অমসুং ওক্তোবরদা সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি অন্দর ১৯ চেম্পিয়নশিপ বেহরান ২০১৬ ক্বালিফায়রদা ওফিসিএল ওইনবগীদমক খল্লক্লে।

ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি এম মাঘোনা সাউদি অরাবিয়াগী অল-রখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি অন্দর ১৯ চেম্পিয়নশিপ বেহরান ২০১৬ ক্বালিফায়রদা মেচ ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি সেপেতম্বর ২৯ দগী ওক্তোবর ৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা এম মাঘো সাউদি অরাবিয়াদা সেপ্তেম্বর ২৯ দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল ২১ দা ওলেম্পিয়াদা রিও গেমসকী টোর্চকী মৈরা চুখৎলগনি



কুআল লম্পুর, ওগষ্ট ০১ ঃ
রিও দি জানিরো ওলেম্পিক্কী টোর্চ নুমিৎ ২১ নিগী মতুংদা সাউথ অমেরিকান লৈবাক্তা য়ৌদ্রিঙৈ মাংওইননা মথঙ চহীগী এপ্রিল ২১ দা গ্রিসকী মমাংঙৈগী মতমগী ওলেম্পিয়াদা মৈরা চুখৎলগনি হায়না শিল্লি লাংলিবশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

টোর্চ অসি মে ৩ দা লৈবাক শিনবা থুংনা নুমিৎ ১০০ নিগী রিলে হৌনবগীদমক্তা ব্রাজিলদা থুংগনি হায়না রিও ২০১৬ গী কম্যুনিকেশন্স দাইরেক্টর মারিও এন্দ্রাদানা ইন টরনেশনেল ওলেম্পিক কম্মিটিদা ফোঙদোকখ্রে।

রিও গেমসকীদমক্তা শিল্লি লাংলিবশিংনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা টোর্চ অসিগী মায়খুম হাংদোকখিবনি। টোর্চ পায়বা মীওই ১২,০০০ না টোর্চ অসি পুরগা সিটি অমসুং খুঙ্গং ৫০০ লান্না চৎকনি। রিও দি জানিরো অসি সম্মর ওলেম্পিক্স য়ুম্বু ওইনা পাঙথোক্কদবা ইহান হানবা সাউথ অমেরিকান সিটি ওইরে।

সম্মর অমসুং ৱিন্টর ওলেম্পিক্স অনী অসি ত্রেদিসনেল ওইনা পেরাবোলিক মিরর শীজিন্নদুনা মৈরা চুখৎপা অমসুং ওলেম্পিয়াদা পাঙথোকপা সেরেমোনিদা নুমিৎ মঙালগী মৈশা ফংহনবা চথ্দুনা লাক্লি। ওলেম্পিয়া অসি মমাংঙৈগী ওলেম্পিক্স পাঙথোকখিবা মফমনি।

# য়ৈথোক্লুরবা অহানবা মণিপুর ওপন চেস টুর্নামেন্ট ঙসি হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ
মণিপুর চেস এসোসিএশন্না শিন্দুনা মমাং থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদগী লৈবাক্কী ইরাংনা মরম ওইদুনা য়ৈথোক্লুনা লাকখিবা অহানবা মণিপুর ওপন চেস টুর্নামেন্ট ২০১৫ হয়েংদগী ব্রহ্মপুর নহাবমদা লৈবা ধর্ম্মলয়া সোসিএল ৱেলফ্যের কলচরেল কম্যুনিতি হোলদা হৌদোক্লগনি।

চেস মশান্নবু লমদমসিদা হেন্না চাউখৎহন্দুনা অমদি হেন্না অফবা শান্নরোই কয়া পুথোরক্লবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা মণিপুর চেস টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ৫০ গী শেনগী মনা পীগনি। অনীশুবা পোজিশন্দা লুপা লিশিং ৪০, অহুমশুবা পোজিশন্দা লুপা লিশিং ২৫, মরিশুবা পোজিশন্দা লুপা লিশিং ১৫, মঙাশুবা পোজিশন্দা লুপা লিশিং ১০, তরুকশুবা পোজিশন্দগী তরা শুবা পোজিশন ফাওবদা লৈবা শান্নরোইশিংনা লুপা লিশিং ৫/৫ গী শেনগী মনা পীগনি। ১১ শুবা পোজিশন্দগী ১৫ শুবা পোজিশন ফাওবদা লৈবা শান্নরোইশিংদা লুপা লিশিং ২/২ গী শেনগী মনা পীগনি। ১৬ শুবা অমসুং ১৭ শুবা মনা ওইনা নুপাগী খ্বাইদগী ফবা শান্নরোই অমসুং সেকেন্দ বেষ্ট প্লেয়র খন্দুনা লুপা লিশিং ৫ অমদি লুপা লিশিং ৩ গী শেনগী মনা মথঙশিংনা পীগনি। ১৮ শুবা অমসুং ১৯ শুবা মনা ওইনা নুপীগী খ্বাইদগী ফবা শান্নরোইদা লুপা লিশিং ৫ অদুগা সেকেন্দ বেষ্টতনা লুপা লিশিং ৩ গী শেনগী মনা পীগনি। ২০ শুবা মনা ওইনা খ্বাইদগী অহল ওইরবা শান্নরোই খন্দুনা লুপা লিশিং ৫ গী শেনগী মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎকনি। ২১ শুবা মনা ওইনা মণিপুরগী চিংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোইদা লুপা লিশিং ৫ গী শেনগী মনা পীগনি। ২২ শুবা মনা ওইনা মণিপুরগী চিংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা শান্নরোই খুদিংমক্তা শেনগী মনা লুপা লিশিং ১/১ পীগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা মণিপুর চেস এসোসিএশনগী এদভাইজর কে এস ঐচ জুগেশ্বর, মণিপুর চেস এসোসিএশনগী এদভাইজর এ ৱাই দেবেন, এসোসিএশন অসিগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি এ রবিচন্দ্র শর্ম্মনা মথঙশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা হৌদোক্কদৌরি।




HL-B/2407/1,3,5,6,7,9,11,13....31.(alt)


# এ এফ সি ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ ঙসি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ
অপুনবা ফিটনেস সেন্তর (এ এফ সি) ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মঙাশুবা ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ (স্ক্রিনিং) হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদগী নাগামপালদা লৈবা এ এফ সিদা পাঙথোক্লগনি।

মশা মউ ফবা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্লুনা লাক্লিবা এ এফ সি ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জগী মঙাশুবা এদিশন অসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ট্রান্সফোর্মেশন চেলেঞ্জ অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনসু হয়েং অয়ুক পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা এ এফ সিদা লাক্লুনা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি।

থা ৩ গী মনুংদা মীওইবগী হকচাংবু চুং ফিরাল চাবা অমা ওইহন্নবগী চাংদম্নবা অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলুপ অনী থোক্না খাইদোক্লুনা মকোক মথঙ তাবশিংদা শেনগী মনা পীগনি।

নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলুপকী অহানবা পোজিশন্দা লুপা লাক্ষ ১/১ গী শেনগী মনা অমসুং ট্রোফি, অনীশুবা পোজিশন্দনা লুপা লিশিং ৫০ অমসুং ট্রোফি, অহুমশুবা পোজিশন্দনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি ট্রোফি, মরিশুবা পোজিশন্দনা লুপা লিশিং ১০, মঙাশুবা পোজিন্দনা লুপা লিশিং ৫ গী শেনগী মনা পীগনি। লোয়ননা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জদসু লুপা লিশিংগী ৫ গী শেনগী মনা পীগনি। লোয়ননা চহী ৪০ গী মথক্তা লৈবা নুপা অমসুং নুপীগী ৱিন্নরদা সেনিয়র সিটিজেন্দা লুপা লিশিং ১০/১০ গী অখন্নবা মনাসু পীগনি হায়রি।

# বি সি সি আইগী অশ্বিস কে ভোমিক থা অসিগী ৮ দা ইম্ফালদা লাক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ
মণিপুরদা ক্রিকেট মশান্না চাওখৎনবা অমদি মতমগা চুনবা খুৎশু খুৎলায়, গ্রাউন্দ অমদি টর্ফ পিটচেসকী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না মণিপুরদা অকনবা মীৎয়েং থল্লকপগা লোয়ননা বি সি সি আইগী গ্রাউন্দ এন্দ পিটচেস কম্মিটিগী মেম্বর অশ্বিস কে ভোমিক থা অসিগী ৩১ দা ইম্ফালদা লাক্কনি তৌরম্বা অদু করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী য়ৈথোকখিবা মরম্না থা অসিগী ৮ দা ইম্ফালদা লাক্লগনি।

মহাক্না ইম্ফালদা হেক থুংলবগা লুৱাংপোকপদা লৈবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চৎতুনা গ্রাউন্দ অমদি পিটচেসকী ফিভম য়েংশিনগনি।

বি সি সি আইনা হন্দক ইম্ফালদা পায়খৎলক্কদৌরিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক অসি বি সি সি আইগী ন্যু এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এন এ দি পি) গী মখাদনি হায়রি।

বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট জগমোহন দালমিয়ানা ন্যু এরিয়া দিভলপমেন্ট কম্মিটিদা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটসতা গেমস অসি হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক অয়াবা পীখিবগী মতুং ইন্না থবক অসি পায়খৎলকপনি।

ন্যু এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা পায়খৎলক্কদৌরিবা থবক থৌরম অসিগী মনুংদা কোচিং প্রোগ্রাম পাঙথোকপা, কোচশিং খনবা, সপোর্ট ষ্টাফশিং, গ্রাউন্দ ইক্বিপমেন্ট ফগৎহনবা, ক্রিকেট গ্যর অমদি টর্ফ ৱিকেট হেন্না ফগৎহন্নবনচিংবা কয়া য়াওরি।

# সেনিয়র নেশনেল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা স্বিমর ৭০০ রোম্না শরুক য়াগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ চহীসিগী ওক্তোবর থাদা রাজকোটতা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেশনেল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী অপুনবা স্বিমর ৭০০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চহীসিগী ওক্তোবর ২৫ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেশনেল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ অসি নুমিৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোক্কনি হায়রি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসি স্বিমিং ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়া (এস এফ আই) অমসুং গজুরাট ষ্টেট এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ অনীনা পুন্না শিল্লগা পাঙথোক্কদবনি।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসি রাজকোট ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেশন (আর এল সি) অমসুং রাজকোট দিষ্ট্রিক্ট স্বিমিং এসোসিএশন (আর দি এস এ) অনীনা পুন্না খুৎশম্নরগা চেম্পিয়নশিপ অসি হোষ্ট ওইগনি হায়না রাজকোট ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেশনগী বিজয় নেহরানা ফোঙদোরক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসি রাজকোটকী কোথারিয়া লম্বীদা লৈবা সদার বলাভায় পটেল স্বিমিং পুলদা পাঙথোক্কনি। নীংশিংবা য়াই, অসিগুম্বা নেশনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ অসি কুমজা ১৯৮৬ তা গুজরাটতা অমুকখক পাঙথোকখিবদগী পাঙথোরক্ত্রি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী অপুনবা ইভেন্ট ৪০ দা চাঙদম্নগনি হায়রি।

# মুইএ থাই ৱর্ল্ড কপ ২০১৫ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ ঃ
হঙ্গেরিগী জিজেটস জেন্ট মিকলোসতা কিক্লোসসাসোক থাই বোক্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৮ দগী ২০ ফাওবা অমেচর মুইএ থাই সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র মেন'স এন্দ ৰুমেন'স ৱর্ল্ড কপ ২০১৫ পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা মুইএ থাই ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়া টিম শরুক য়ানবগীদমক ওল ইন্দিয়া অমেচর মুইএ থাই ফেদরেশন ইম্ফালনা টিম অমা থাগদৌরি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়ানবগীদমক শান্নরোইশিংগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

ওল মণিপুর মুইএ থাই লভরস এন্দ প্লেয়রস ওর্গেনাইজেশন চঙাঙ্গে এয়রপোর্টকী ত্রেনিং গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৬ কী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা মুইএ থাই শান্নরোই খুদিংমক্না মশা মশাগী এজ প্রুভ সার্টিফিকেট অমদি প্লেয়িং কিটসকা লোয়ননা ওর্গেনাইজেশন অসিগী সেক্রেটরি অয়েকপম সঙ্করদা রিপোর্ট তৌগদবনি।

মরম অদুনা শান্নরোইশিংনা ট্রাইএল অসিগী মাংজৌননা লাক্কদবনি। অমরোমদা ওল টামিল নাদু মুইএ থাই এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা জুলাই ২৫ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ১০ শুবা নেশনেল অমেচর মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ অদু জুলাই থা অসি য়াম্না শাবা মরম্না য়ৈথোক্লে। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসি চহী অসিগী ওক্তোবর ১২ দগী ১৫ ফাওবা হান্নগী মফম অসিমক্তদা শুংশোই শোইদনা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা নেসনেল অমেচর মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী টিম শরুকয়ানবগীদমক ওক্তোবর ৮ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মখা তাবা অবুপ্পা মরোল এসোসিএশনগী সেক্রেটরিদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## মণিপুরী ৱারীমচা চাংদম্নগনি

সেকেন্দরি থাক্তগী হৌরগা য়ুনিভর্সিটিগী থাক ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা ইবা ৱারীমচা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি। শরুক য়াবিনীংবা মহৈরোয়শিংনা ৱারীমচা ইবিরকপা মতমদা ৱাহৈ ৬৫০ দগী হেনবিরোইদবনি, লোয়ননা A4 গী চেদা লমায় নাম্মতমক ইরগা নত্রগা নমথোক্লগা ইশাগী বাইওদতা অমসুং পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগা লোয়ননা নভেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা হুইয়েন লানপাউগী ওফিসতা থাগৎপিরক্কদবনি। চাংদম্নবা অসিগী ফল লাক্লিবা দিসেম্বর থাগী মনুংদা লাউথোক্কনি অমসুং মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনাসু পিজগনি।

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স




HL-B/2602/21,23,25,27,29,31,2,....18(alt)




HL-P/5753/23,25,...20 (alt)



HL-B/2573/1-30July



HL-B/2618/24/7-23/8



HL-B/2576/24-6/23/7


Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Pucca Building, Ground Floor (Manipur)
Editor : Hemantakumar Ningomba; RNI Registration No. 40746/1978; Tel # (0385) 2440771/2445104 (Advt. Section), (0385) 2445106 (News Section), +91-(0)9856594262 (Readers Care Number), e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com MNP-409, website:www.hueiyenlanpao.com